**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 21-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১২ শুবা মালেমগী যোগা নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ অসি পাঙথোক্লি।

২) নিট-য়ু.জি. ২০২৬ কী পরিক্ষা ঙসি লৈবাক অসিগী সহর ৫৫১ অমসুং মপান লৈবাক্কী সহর ১৪ দা পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা লৈবাক অসিবু মালেমগী থাক্তা অফবা মীংচৎ পুরকপগীদমক রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

-----

যোগা ঃ ১২ শুবা মালেমগী যোগা নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসিগী হীরমনা-'যোগ ফোর হেলদি এজিং' হায়বসিনি।

কোলকাতাগী রেড রোডতা পাঙথোকপা মালেগী যোগ নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- যোগনা লৈবাক অসিগী অমসুং মালেমগী মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইবগী শক্তম উবা ফংলি।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ অমসুং রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম শরুক য়ারি। থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা জাতিগী মীয়ামদা পীবা পাউজেল লাইভ টেলিকাষ্ট তৌখি।

অকাশবানি ইম্ফালনসু ষ্টেসন অসিগী কর্ম্মচারিশিংগা লোয়ননা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কুনা যোগগী শাজেলদু তৌগনি।

ইম্ফালদা লৈবা বি.জে.পি ওফিসতসু মালেমগী যোগ নুমিৎ যোগগী শাজেল তৌদুনা পাঙথোকখ্রে। মহিলা পতাঞ্জলি যোগ সমিতি মণিপুরনা শিন্দুনা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম শিংজমৈ চীংঙামথক কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি। ভারত স্বাভিমান ট্রষ্ট পতাঞ্জলি যোগ সমিতি, মহিলা পতাঞ্জলি যোগ সমিতি, য়ুবা ভারত অমসুং পতাঞ্জলি কিসন সেবা সমিতি মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী থৌরম ৱাংখৈ দুর্গা পুজা লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি।

মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম লাইনিংথৌ অমুদোন যোগ সেন্তরনসু শগোলবন্দ তেরা অমুদোনদা লৈবা সেন্তর অসিগী শনাখ্যা মচা যোগ শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা যোগগী কান্নবশিং মীয়ামদা খঙহান্নবা হোৎনরিবা যোগ ইন্সত্রক্তর নোংথোম্বম লাখেন্দ্র সিংহনা যোগ তৌবনা পুকিং হকচাং ফনা থন্বা অমদি অফবা ৱাখল খন্দুনা ঐখোয় পুনশিন্নবগী কান্নবশিং হায়বসিদা ৱা ঙাংখি। সেন্তর অসিগী ফাউন্দর রাজকুমার সমানন্দনা যোগ অসিদা শরুক য়ারিবা অহল ওইরিবশিংদসু অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা কলচর মন্ত্রালয়না লৈবাক অসিগী অখন্নবা মফম ১০০ দা যোগা নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোক্লি।

নিট ঃ নিট-য়ু.জি. ২০২৬ কী পরিক্ষা ঙসি পাঙথোক্লগনি। পরিক্ষা অসি লৈবাক অসিগী সহর ৫৫১ অমসুং মপান লৈবাক্কী সহর ১৪ পাঙথোক্কনি। পরিক্ষা অসিদা পুন্না কেন্দিদেট লাখ ২২ লিশিং ৭৯ হেন্না পারিক্ষা থাগনি। পরিক্ষা অসি ঙসি নুংথিল পুং ২ দগী পুং ৫ মিনিত ১৫ ফাওবা চথগনি।

মণিপুরদসু নিট য়ু.জি. ২০২৬ কী পরিক্ষা পাঙথোকবা শেম শারে।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগা মণিপুর বার কাউন্সিলগা পুন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী লিগেল ইজ্‌কেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। সমাজ অসিদা উকিলশিংগী থৌদাং অমসুং ফন্দামেন্টেল রাইট অমদি দ্যুতিজগী মতাংদা চথখিবা

থৌরম অদুদা মণিপুর বার কাউন্সিলগী চেয়ারমেন শরাংথেম ব্রজ বিহারিনচিংবা আইনগী লমদা খঙলবা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

পুলিস (এল) ঃ রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা লৈনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- থা অসিগী ১৯ দা থৌবাল জিলাগী লিলোং লৈহাওখোংদগী মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী এস.পি. কেপসুল ২৮৮ গা লোয়ননা ফাগৎলে। মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থরি।

রেল্লি (এল) ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট, দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস অমসুং ইন্দিয়ান রেড ক্রেস সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা পুন্না শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডে এগেনষ্ট ড্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিং নুমিৎকা মরী লৈননা সাইকল রেল্লি অমা ঙরাং পাঙথোকখি। নসা মুক্ত ভারত সপ্তাহগী শরুক অমা ওইনা রেল্লি অসি পাঙথোকখিবনি।

নোং ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসিদগী হৌদুনা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই। নাগালেন্দ, মিজোরম অরুনাচল প্রদেশ, ত্রিপুরা, বিহার, উরিষা করনাতক্কী সমুদ্র খোঙবান, তামিলনাদু, পুদুচেরি, কেরলা, করাইকল অমসুং রায়লাসিমাদা ফিভম অসিদা মায়োকরবা য়াই। জম্মু কাশ্মীরদসু অখাক অরাউ অমদি লেন য়াওবা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়রি। ঝারখন্দ অমসুং উরিষাদসু ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই।

রাস্ত্রপতি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং শানবা লৈঙাক অমসুং মালেমগী লুচিংবশিংগা অফবা মরী থমদুনা লৈবাক অসিবু মালেমগী থাক্তা অফবা মীংচৎ কয়া পুরকপগীদমক রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। মোহন চরন মাঝি সরকারনা চহি অনি মপুং ফারকপগা মরী লৈননা উরিষাগী ময়ুরভঞ্জ জিলাদা লৈবা রাইরাংগরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা

মীয়ামগী ওইবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা লৈবাক অসিনা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা অমনা অমগী মতেং পাংনবা, ৱারী শান্নদুনা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকপগী পাউজেল শন্ দাক্লি। মহাকা হায়- মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবা অমদি চয়েৎনবা লাকপা মতমদা মদুবু ৱারী শান্নদুনা অমদি পুন্না ফম্মিন্নদুনা য়াশিন্নবা পুরকবা হোৎনবদা লৈবাক অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। কোভিত নাইন্তিন পেন্দামিক মতমদা লৈবাক অসিনা তৌখিবা মতেং কয়া নীংশিংলদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ভারত্তগী অতৈ লৈবাক কয়াদা ভেক্সিন, ওক্সিজেন অমদি অতৈ অনা লায়েংগা মরী লৈনবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখি। মখা তানা শ্রী মোদিনা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী শাংনা প্রধান মন্ত্রি ওইনা থৌ পুবা অহানবা মীশক ওইরকপদসু রাষ্ট্রপতিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

ফুটবোলঃ  ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ মখায়দা শান্নখিবা মেটচতা নেদরলেন্দসনা স্বিদেনবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে। হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১ মখায়দা শান্নখিবা মেটচতনা জরমনিনা ইভোরি কোষ্টপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। হৌজিক ইক্কেদোরগা কুরাসাওগা শান্নরি। হৌজিক অয়ুক পুং ৯ মখায় তাবা মতমদা ট্যুনিসিয়াগা জপানগা অমসুং নুমিদাং পুং ৯ মখায় তাবা মতমদনা স্পেনগা সাউদি অরাবিয়াগা শান্নগনি ।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নাগা ৬ মীহাৎকী অচুম্বা ৱায়েল পীবীনবা অন্সমনা শিন্দুনা ইম্ফালদা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখিবা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা জন কল্যান সিভির থৌরমদা শরুক য়াদুনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মীহাৎ থিনা হাৎখ্রবা নাগা ৬ কী অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়না রেল্লি চৎখ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা

হেদলাইন তৌরি।

লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমকা মান্নদবগী ৱাখল্লোনশিং থাদোক্তুনা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনমিন্নশি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা জন কল্যান সিভির থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক লোয়ননা মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা চহি অনিগী মনুংদা ইম্ফালদা রেল য়ৌরকপা য়াই হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা জন কল্যান সিভির থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আই.এন অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌমীশিং ফাখিবগা মরী লৈননা মৈরা পায়বীশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী হৌরকখিবা লানগী মনুং চন্না লৌখৎলকপা কেসকা মরী লৈননা এন.আই.এনা ফাখিবা মীওই ১০ গী মনুংদা অমা গুৱাহাতিদা পুখ্রে। ফাখিবশিংগী মনুংদা পুলিসকী এ.এস.আই অমা য়াওরে হায়বগী রিপোর্ট ফংলে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা তেরোরিজম নমথবা ঙমলে, অৱাং নোংপোক্তা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী এনকর কলমদা ফোংলি।

জন কল্যান সিবির কেম্পেন সেনাপতি জিলাদা মায় পাকা লোইশিনখিবগী পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নোং চুদ্রবসু ইম্ফাল মনুংগী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং পোট হোল কয়াদা ঈশিং থুমজিনদুনা লৈরি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলি।

সেন্তর লিশিং ৫,৫০০ দা পাঙথোক্কদবা নিট একজামগীদমক মোক ড্রিল পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

-----